# পার্লিয়ামেন্টকী মীফম অমুক্কা চথবা য়াখিদ্রে লোক সভানা সরোগেসি বিল পাস তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৯ঃ***

ট্রেজরি অমসুং ওপোজিসন বেঞ্চনা রাফেল দিল ৱাথোক্কী মতাংদা অমুক্কা হন্না ওন্সিন্নদুনা মরাল শীনবদগী পালিয়ামেন্ট মীফম ঙসি য়ুমশকৈশা ফাওবদা থঙন-থঙননা ৬নি শুবা নুমিৎ ফাওবা খন্ন-নৈনবা য়াখিদ্রে।

টি দি পি, এ আই এ দি এম কে অমসুং দি এম কে মেম্বরশিংনা না কাবেরি তুরেন্দা শাবা দাম অমসুং অন্ধ্রপ্রদেসকী স্পেসিয়েল ষ্টেটসকী মতাংদা হাউস অনীমক্তা মখা তানা দিমান্দশিং পুখৎনরকখি।

অয়ুক পূং ১দা রাজসভাগী মীফম হেক হৌবগা নুমিৎসিগী ওইনা এদজোর্ন তৌখি। লোক সভাদসু হন্না হন্না এদজোর্ন তৌখি অদুবু চরাংনবা মরক্তা সরোগেসি (রিগুলেসন) বিল পাস তৌখি। কঞ্জুমর প্রোটেক্সন বিল পাস তৌনবা হোৎনবদা ঙমখিদে। স্পিকর সুমিত্রা মহাজন্না য়ান্না চরাংঙমনখ্রে অমসুং বিল অসি সগোলসেন নুমিৎতা পায়খৎলগনি হায়খি।

দিসেম্বর ১১দা হাউস অনীগী মীফম হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অতল বিহারী বাজপায়ি অমসুং সিটিঙ মেম্বর খরা লৈখিদবগী ওবিচ্যিরিশিং তৌরবা তূংদা নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি।

নোঙানবা দিসেম্বর ১২দগী হাউস অনীমক্তা য়ান্না তোয়না মরক থক্তুনা খন্ন-নৈনবা য়াখিদে।



অপ্পর হাউসতা ঙসি কংগ্রেস মেম্বরশিংনা রাফেল দিলগী মতাংদা জোইন্ট পালিয়ামেন্টরি কমিটি (জে পি সি) অমা শেন্নবগী দিমান্দ তৌদুনা প্লেকার্দশিং পায়দুনা হাউসকী ৱেলদা থোমজিলকখি।

ট্রিজরি বেঞ্চতগীসু সুপ্রিম কোর্টনা রাফেল দিলদা গভর্ণমেন্টকী মরাল লৈতে হায়বগী ৱায়েল পীখ্রবা তূংদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী লাল্লে হায়জনবগী দিমান্দ তৌবা বেন্নরশিং পায়দুনা কংগ্রেসকী ময়োক্তা লেপখি।

চরাংনবা অদুগী মরক্তা পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়াস মিনিষ্টর বিজয় গোয়েলনা কংগ্রেসকী দিপুতি লিদর অনন্দ শর্মবু ঙরাং হাউসতা মানা ঙাংখিবা ৱাফম হন্দোক্লুবা দিমান্দ তৌখি।

রাফেল ৱাথোক্কী মতাংদা মহাক্না রাহুল গান্ধী লাল্লে হায়জনবা দিমান্দ তৌখি হায়না শর্মনা মহাকপু লান্না হায়খি হায়না গোয়েলনা হায়খি। মদু রেকোর্টশিংদা য়েঙশিনগে হায়না চিয়ামেন এম ভেনকয়া নাইদুনা হায়খি।

লোকসভাদা কংগ্রেসকী মলিকার্জুন খরগেনা মীয়ামগী ৱাখলদা রাফেল দিলগী মতাংদা হকচিননা অকিবশিং পোক্লি মসি জে পি সিনা থিজিনবা মথৌ তাই হায়খি। মদুগী পাউখুমদা পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়াস মিনিষ্টর নরেন্দ্র সিংহ তোমারনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা খননবা থৌরাং তৌরি হায়খি। অদুবু জে পি সি গী দিমান্দ অদু ককথৎখি।

হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনসু রাফেল দিলগী য়াওনা ওপোজিসনা দিমান্দ তৌবা ইসু খুদিংমক খননবা গভর্ণমেন্টনা থৌরাং তৌই হায়খি।

নুংথিল পূং ২দা হাউসকী মীফম অমুক হৌবদা সরগেসি বিল খননবা লৌখৎখি। মেম্বর খরা খন্নবদা য়াওখি অমসুং বিল অদু চরাংনবা মরক্তা পাস তৌখি।

# য়ু এস 'ৱিপনাইজেসন'নি হায়রদুনা ট্রম্পকী 'স্পেস কমান্দ'গী মায়োক্তা চিনানা ৱার্নিং তৌখ্রে

***বৈজিং, দিসেম্বর ১৯ঃ***

মিলিটরি স্পেস ওপরেসনশিং মখূৎতা পায়শিনবগীদমক অনৌবা কমান্দ সেন্টর অমা শেন্নবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল ট্রম্পকী ওদরস অদুবু থিনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা চিনানা স্পেসপু 'ৱিপনাইজেসন' তৌবগী ময়োক্তা লৈবাক অসিনা লৈ হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

স্পেসপু সান্তিগী ওইবা মওংদা শিজিননবা চিনানা হানদগী হায়দুনা লাক্লি অমসুং স্পেসপু 'ৱিপনাইজেসন'তৌবা অমসুং স্পেসতা খূৎলাইগী লমজেন তান্নবগী ময়োক্তা লৈ হায়না প্রেসতা পীবা চাউরাকপা পাউদম অমদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই নুপী হুৱা চুনয়িংনা হায়খি।



স্পেসপু অনৌবা লানফমদা মখাতানা ওন্থোকপগী ময়োক্তা ঐখোয়না লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল ট্রম্পনা মিলিটরি স্পেস ওপরেসন পূম্বা কন্ট্রোল তৌগদবা অচৌবা ওর্গনাইজেসনেল ষ্ট্রকচর স্পেস কমান্দ অমা পেন্টগোনগী মনূংদা শেন্নবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ওর্দর তৌখি।

কোন্না মমৈথঙদা স্পেসকোম হায়না খঙনরকদবা য়ু এসকী স্পেস কমান্দ হায়রিবা অসি মিদল ইষ্টকী সেন্টর কমান্দ নৎত্রগা এসিয়াগী ইন্দো-পেসিফিক কমান্দ হায়রিবা অসিগুম্না অতৈ য়ু এস কী কমান্দশিংগা চপ মানবা মওংদা লৈগনি অমসুং মসিগী অনৌবা হেদ ক্বার্টরস অমা লোয়ননা সিনেটকী ওপেরেবল মথৌ তাগদবা কমান্দর অমা অমসুং দিপুটি কমান্দর অমা লৈগনি।

য়ু এস প্রসিদেন্টনা চহি অসিদা লিঙখৎনবা হৌদোকপদা মসিনা অহানবা মিলিটরি স্পেস এনটাইটি নৎতে। জুন থাদসু ট্রম্পনা মিলিটরিগী পূমনৌনৌবা অনৌবা মশা স্পেস ফোর্স শেম্বা পাম্মী হায়খি।

স্পেসতা খুরৌ থাংবশিং লাকশিন্ননবা ওর্বিটতা য়ু এসনা ময়ামদগী হেন্না শক্তি লৈনবা অসিগুম্বা খোঙথাং অমা মথৌ তাই হায়না মহাক্না কন্না হায়খি।

অদুবু মদু শেম্বা হায়বদু পাংথোক্লুবা থবক অমদি নৎত্রি। মদু কংগ্রেসনা অয়াবা পীবা মথৌ তারি। মদুগী মথক্তা হায়রিবা ৱাখল্লোন অদু য়ু এস লো মেক্করশিংদগী য়ানীংফাত্তবা খরা লৈরি। দিফেন্স ওফিসিয়েলশিংনসু মদুদা চঙগদৌরিবা মপান নাইদ্রবা শেনফম অদু খনবদা ৱারি মদুগী মথক্তা অহেনবা ব্যুরোক্রেসি হাপচিলক্কদৌরি।

চিনানসু হৌখিবা চহি খরদা মখোয়গী স্পেস কেপাবিলিটিশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনখ্রে। থা অসিগী অঙনবদা লৈবাক অসিনা স্পেস সুপর পৱার অমা ওইরক্লুবা বৈজিংগী অচৌবা অশা অদু হেন্না কনখৎহল্লগদবা মালেমগী অহানবা অমা ওইনা থাগী অরাপ্পা নাকল অদু তন্না লৈবাক অসিনা বোভর অমা থাগৎখ্রবনি।

২০১৩দা চিনানা য়ুটু নৎত্রগা জেদ রেব্বিট কৌবা মখোয়গী অহানবা প্রোব থাগী লৈমায়দা লেন্দিং তৌখ্রবনি।

# পৃথিদা নৌনা পোকপা অঙাংগী হকচাং ফঙবদগী ইমূংগী মীওইশিং ফাখ্রে

***কোলকাতা , দিসেম্বর ১৯ঃ***

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পূর্বা মেদিলিপুর দিষ্ট্রিক্টতা অনকপদা লৈবা পৃথি অমদা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং নুপীমচা অমগী হকচাং ফঙখিবগী মতূংদা অঙাং অদুগী ইমূংগী মীওইশিং ফাগৎলে হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

সোফিয়াবাদতা লৈবা ইমূং অদুগী য়ূমলোন্নবা অমনা অঙাং মাংখিবগী পাউঅমা থাংগৎলকপদগী পুলিসনা থিবা হৌখি। অমসুং ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হকচাং অদু ফঙখিবনি।

অঙাং অদুগী মপা-মমা মপূবোক অমসুং মবোক অদু শোয়দনমক চেন্নরমগনি হায়না ঐখোয়না খনবগা লোয়ননা মখোয়বু ফাখিবনি। মসি মখোয়গী অনীশুবা অঙাং নুপীমচাননি হায়না পুলিসনা হায়খি। শিবগী চপচাবা মরম খঙনবা ওতোপসি রিপোর্ট ঙাইহরি।

# মাইনরশিং কন্নবগী অশা মমি শামজিল্লক্লে রেস্ক্যু ওপরেসন অরুবা তাঙ্কক য়ৌশিনখ্রে চঙশিনখ্রে



***শিলোং, দিসেম্বর ১৯ঃ***

অকনবা নূংশিৎ অমসুং নোং কন্না চুবনা অপনবা থোকখ্রবা মতূং মেঘলয়াগী ইষ্ট জয়তিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টতা আইনগী ৱাংমদা থবক তৌবা কোইলা খোনি অমগী মনূংদগী থোক্লককপা ঙমদনা লৈখ্রেবা য়ামদ্রবদা শিন্মি ১৪ অদু ফঙনবা সরস এন্দ রেস্ক্যু ওপরেসন অদু ঙসিদগী অমুক হন্না চত্থখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ ৬নি হৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক খোনি মনূংগী মফম কদাইদা লৈ খঙদবা মায়ন্নর ১৪ থিবগী থবক অদু অরুবা তাঙ্কক অমা য়ৌশিনখ্রে। মাইনরশিং অদু অনকপা তুরেনদগী খোনিদুগী মনূংদা ঈশিং লূশিলকখিবদগী দিসেম্বর ১৩দগী থোক্লককপা ঙমদনা লৈখিবনি।

ঈশিং অদুনা ফুট ৩৭০ লূবা কোম অদুদা তুরেনদগী চেনশিলকখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হৌজিক মরাইবক থিরবা শিন্মিশিং অদু শিরন্নগদ্রা হায়না অকিবা পোক্লরি।

লেপ্তুনা নোং চুখরকপনা খোনি অদু য়ৌবা লম্বী অদু চঙশিনবা য়াদবদগী ঙরাং য়ুমশকৈশাদা রেস্ক্যু ওপরেসনদা অপনবা থোকখি হায়না ওফিসার অদুনা হায়খি।

মরকসিদা মেঘালয়া হ্যুমেন রাইটস কমিসননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মথক্তা ঙরাং থবক লৌখৎখ্রে অমসুং থৌদোক অদুগী মতাংদা হনক্কারি অমা চত্থনবগীদমক নোটিস অমা থোকখ্রে।

থোক্লিবা থৌদোক পূম্ব চপ চানা থিজিন্নবা মেঘালয়া চীফ সেক্রেটরি ৱাই সেরিংদা নোটিস পীখ্রে হায়না কমিসনগী সেক্রেটরি অলদৌস মাউলোঙনা ঙরাং ফোঙদোকখি।

খোনিগী মনূংদগী থোক্লপা ঙমদনা লৈখ্রবা মাইনরশিং অদুগীদমক কমপেন্সেসন পীগদবনি হায়না কমিসন্না মেঘালয়া গভর্ণমেন্টকী মথক্তা কেস অমা থাংগৎখ্রে।

নেসনেল গ্রিন ত্রিবুনেলগী অথিংবা লৈরবসু ষ্টেট অসিদা আইননা য়াদনা মখা তানা মাইনিংগী থবক চত্থরিবসিদা কমিসনগী চিয়ার পার্সন জষ্টিস অফতাফ হুসেন সায়কিয়ানা কন্না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

মেঘালয়াদা মিনরেল পোর্কেটশিং য়ৌনবা অপীকপা চপয়ুংবা মখুনশিং হুৎপগী টেকনিং অমা ওইরিবা রেট-হোল কোল মাইনিংদা নেসনেল গ্রিন ত্রিমুনেলনা ২০১৪দা অথিংবা থমখিবনি।

# পাকিষ্টানি অস্মা জহাঙ্গীর য়ু এন প্রাইজ ২০১৮ ফঙলে

***য়ুনাইটেদ সেসন্স, দিসেম্বর ১৯ঃ***

লৈখিদ্রবা উকিল অমসুং হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অস্মা জহাঙ্গীরদা ২০১৮গীদমক য়ু এন হ্যুমেন রাইটস প্রাইজ পীখ্রে। মহাক্কী মচানুপী মুনিজে জহাঙ্গীরনা মমাগী মমিংদা লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা অদু লৌখি।

য়ু এন এৱার্দ অসি মীওইবগী হক্কা মরিলৈনবা হীরমশিংদা শিংথানীংঙাই ওইবা থবক তৌবগী শকখঙবা ওইনা লন্নাই মীওইশিং অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংদা পীবনি।

চহি অসিগী ওক্টোবর থাদা চহি ৫-৫ লৈরগা প্রাইজ অসি ফঙবা মীওই ৪গী মনূংদা অমা ওইনা অসম



অস্মা জহাঙ্গীরসু লাওথোকখিবনি। মহাক্কী লৈখিদ্রবা মমাগীদমক এৱার্দ অদু লৌখিবা মুনিজে জহাঙ্গীরনা মদু পাকিষ্টানী নুপীশিং অমসুং মখোয়গী থৌনাদা কত্থোকখি।

মনা পীবগী থৌরম অদু ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ন্যু য়োর্কতা লৈবা য়ু এন হেদক্বার্টরসতা পাংথোকখি। অতৈ প্রাইজ ফঙখিবশিং অদুদি টঞ্জানিয়াদা নুপীশিংগী হক্কীদমক থবক তৌখিবী রেবেকা গিয়ুমি, ব্রজিলগী য়েলহৌমীশিংগী হক্কীদমক থবক তৌরিবী জোনিয়া ৱাপিচানা অমসুং ফ্রন্ট লাইন দিফেন্দরস কৌবা অয়ারলেন্দগী হ্যুমেন রাইর্টস ওর্গনাইজেসন্সনি।

মমাঙগী প্রাইজ ফঙখিবশিংগী মনূংদা এলিনর রুজবেল্ট, মার্টিন লুথর কিং, নেলসন মন্দেলা, জিমিকাটর অমসুং মালালা য়েকসবজাইনা চিংবা য়াওরি হায়না নিউজ ইন্টরনেসনেলনা হায়রি।

অস্মা জহাঙ্গীরনা য়ু এন হ্যুমেন রাইর্টস প্রাইজ ফঙবা ৪শুবা পাকিষ্টাননি নুপী ওইরে। মহাক্কী মমাঙদা বেগম রাঅনা লিয়াকৎ আলি খান (১৯৭৮), বেনাজির ভুতো (২০০৮) অমসুং মলালা য়োকসবজাই (২০১৩)দা ইকাইখুন্নবা অসি পীরকখ্রে।

চহি অসিগী ফেব্রুৱারীদা লৈখিদ্রবী অস্মা জহাঙ্গীরবু অকন্নবা শাফু অমসুং লৈপাকা ময়োক্লদুনা হনবা লৈতনা মীওইবগী হক্কীদমক হোৎনখিবা অমসুং অকিবা লৈতনা ৱা ঙাংখিবগীদমক শকখঙনৈ। দেমোক্রেটিক ওইবা অমসুং হেন্না ইনক্লুসিফ ওইবা পকিষ্টান অমা ফাগৎনবগী মায়কৈদা মানা তৌরম্বশিং অদুগীদমকসু মহাকপু নীংশিংনরি।

# অহুমশুবা কানাদিয়ান অমসু চিনানা ফাখ্রে

***বৈজিং, দিসেম্বর ১৯ঃ***

চিনাগী অচৌবা টিলিকোম কম্পেনি অমগী চীফ ফাইনাসিয়েল ওফিসার ওইবী নুপী অমবু কানাদানা ফাজিন্দুনা থমখিবগী মতাংদা ওত্তাৱাগা বৈজিংগাগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক্কী অকনবা ৱা ঙাংনরিঙৈ চৈরক্তা চিনাদা অহুমশুবা কানাদিয়ান সিটিজন অমসুং ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না ঙসি য়ুমশকৈশাগী কানাদগী পাউ-চে অমদা ফোঙখ্রে।

কানাদাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অমগী ৱারোল পল্লদুনা নেসনেল পোষ্টকী মতূং ইন্না কানাদিয়ান সিটিজন অমা ফাদুনা থমখ্রে হায়বদু কানাদিয়ানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা খঙলে হায়খি।

ৱাঙাংলোই অদুনা অতৈ অকুপ্পা ৱারোল পীখিদে। ফাদুনা থম্বা অদু চিনাগী হুৱাবে চীফ ফাইনাসিয়েল ওফিসার মেঙ ৱাংঝৌ কানাদানা ফাবগী মরিলৈনব্রা হায়বদুসু পন্দে।

অদুবু অদুগুম্বা ফাবগী মতাং অদু মহাক তাদে হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই নুপী হুৱা চুনয়িংনা চাং নাইনা পাংথোকপা প্রেসতা পীবা শমলপ্পা পাউদম অমদা হায়খি।

হন্দক কনাদিয়ান অনী চিনাদা ফাজিনখিবা অদুনা দিসেম্বর অমদা হুৱাবেগী সি এফ ও মেং ৱাংঝৌ ফাখিবগী খূৎ হনবা ওইনা মখোয়বু বৈজিংনা ফাবনি হায়বগী চীংনবা হেনগৎহনখ্রে। অদুম ওইনমক কেস অনী অদুগী মরক্তা ওফিসিয়েল ওইনা মরিলৈনদে।

# ভনুৱাতুনা অহানবা ওইনা হিদাক পুনবা দ্রোন শিজিন্নখ্রে

***কুৱালালুম্পু, দিসেম্বর ১৯ঃ***

ভনুৱাতুগী সুপ্নগী থা ১খক্তা শুরিবা অঙাং অমনা কমর্সিয়েল দ্রোন অমনা পুরকপা ভেক্সিনশিং শিজিনদুনা ইম্ম্যুনাইজ তৌবা মালেমগী অহানবা মীওই ওইখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়খ্রে অসিগুম্বা খোঙথাং অসিনা অতৈ অরাপ্পা মফমশিংদা লৈরিবা খুদোঙথিবা তারবা মীওইশিংগী পূন্সি কনবা ঙম্নবগী আশা হেন্না ৱাংখৎহনখ্রে।



খোঙনা নৎত্রগা হিনা চৎপদা পূং কয়া চঙগদবা কিলোমিটর ৪০ শাংবা চীংগী লমদম অদু লাকপদা দ্রোন অদুনা ইরোমেঙ্গো ঈথৎকী কুকস বে এরিয়াদা মিনিট ২৫গী মনূংদা পাইরকখি।

য়ুএন চিলদ্রেন এজেনসি য়ুনিসেফকী মতূং ইন্না ভানুৱাতুনা ভেক্সিনশিং পুনবা কমর্সিয়েল দ্রোন কম্পেনি অমগা কন্ট্রেক তৌনবা মালেমগী অহানবা গভর্ণমেন্টনি।

ঈথৎ মচা ৮০রোমদা শন্দোক্তুনা মীওই ২৮০০০০ রোমগী পেসিফিক ঈথৎ লৈবাক অসি মালেমগী খ্বাইদগী লাইরবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি। মসিদা পোকপা অঙাং লিশিং খুদিংগী অঙাং ২৫দি চহি ৫ শুদ্রিঙৈগী মমাঙদা শিখি হায়রি।

# বিহার সেল্টর হোম রেপ কেসতা চেন্নবা পূন্নমক্কী মথক্তা চার্জসিট থাঙ্গৎখ্রে

***মুজাফরপুর, দিসেম্বর ১৯ঃ***

বিহারগী মুজাফরপুরদা লৈবা সেল্টর হোমদা লৈবী নুমীমচাশিংবু পাক্তকননা রেপ তৌবগী কেসতা চেন্নে হায়না মরাল শিরিবা পূন্নমক অদুগী মথক্তা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)না স্পিসিয়েল কোটতা চাজসিট থাঙ্গৎখ্রে। কেস অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা এনজিওনা চল্লাইবা সেল্টর হোম অমদা চহি ১০গী মতমদা শক্তি লৈরবা পোলিটিসিয়ানশিং অমসুং ব্যুরোক্রেটশিংনা নুপিমচা কয়ামরুম্ব রেপ তৌবগী মতাংদনি।

প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেকচুয়েল ওফেন্সেস (পি ও সি এস ও) এক্টকী মখাদা লিঙখৎপা কোর্ট অমনা হৌজিক ৱায়েন চত্থরিবা কেস অসি টাটা ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্সেস (টি আই এস এস)না শেম্বা রিপোর্ট অমদগী অহানবা ওইনা ওথোরিটিজকী মীৎয়েঙ চঙশিনখিবনি।

বালিকা গৃহ হায়না কৌবা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা সেল্টর হোম অদুদা থম্বা নুপীমচা ৩৩দগী ৪২ ফাওবা রেপ তৌখি হায়বসি মেদিকেল টেষ্টশিংনা ফঙখি। থা অসিগী অঙনবদা হায়রিবা সেল্টর হোম অদু মুজাফরপুর ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা থুগাইবা হৌখ্রে।

কেস অসিদা মরুওইনা চেন্নরিবা ব্রজেস থাকুর হায়রিবা মীওই অসি বিহারগী লৈঙাক পায়রিবা জনাতা দল (য়ুনাইটেদ) গভর্ণমেন্টতা য়াওরিবা পোলিটিসিয়ানশিংগা নক্লবা মীওইনি। থা খরগী মমাঙদা সুপ্রিম কোর্টনা মিষ্টর থাকুরবু য়ান্না শক্তি লৈবা মীওই অমনি হায়খি অমসুং থিজিনবগী থবক্তা অপনবা অকায়বা থোক্কদবদগী থিঙনবা মহাকপু বিহারগী ৱাংমদা লৈবা জেলদা পুথোক্তুনা থমখিনবা রিকমেন্দ তৌখি।

কেস অসিগী মরুওইবা এক্যুজ ব্রজেস থাকুরদা বিহার সোসিয়েল ৱেলফিয়ার মিনিষ্টর মঞ্জু বরমাগী মপুরোইবা চন্দ্রসেখর বরমানা জনুৱারীদগী জুন ফাওবগী মনূংদা কয়ারক হন্না ৱারী শানখি হায়বসি ইনভেষ্টিগেসননা খঙলকখিবদগী মিনিষ্টর নুপী অসি ফম থাদোকখিবনি।

# লমগী খৎনবদা য়ুমলোন্নবনা নুপা অমা পেট্রোল হৈজল্লগা মৈ থাখ্রে

***প্রতাপগর, দিসেম্বর ১৯ঃ***

উত্তর প্রদেসকী প্রতাপগরদা লমগী খৎনবা অমগী মতাংদগী মশাগী চহি ২৫ শুরবা নুপা অমবু মাগী য়ুমলোন্নবশিং অদুনা পেট্রোল হৈজিল্লগা মৈ থাবদগী শিখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসক্কী মতূং ইন্না সরাই নরয়ান সিংহ খূঙ্গংদা লমগী মতাংদা খৎনবগী থৌদোক অমা লৈ রাজেস কোরি কৌবা মীওই অসিনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেঙবদা হেন্দপম্প অমদগী ঈশিং শোক্লবা হোৎনরিঙৈদা মাগী য়ূমলোন্নবশিং অদুনা মঙোন্দা পেট্রোল হৈজিনবা হৌরকখি অমসুং থুনমক মহাকপু মৈ থাখি।

মহাকপু কনবা হোৎনবদা মাগী মচিন-মনাওশিং আর্জুন অমসুং অনুকসু মৈনা চাক্তুনা শোকখি।

লায়কননবগীদমক মখোয়বু এলাহাবাদতা পুখি অদুবু রাজেস কোরি মাগী অশোকপা অদুনা মরম ওইদুনা শিখ্রে হায়না লালগন্স পুলিসকী সার্কল ওফিসার ও পি দুবেনা হায়খি।

থৌদোক অসিগা মরিলৈননা মীওই ৪ ফাখ্রে অমসুং মখাতাবা থিজিনবগী থবক চত্থরি।

# ইসরোগী মিলিটরি সেটিলাইট থাগৎখ্রে

***শ্রীহরিকোতা, দিসেম্বর ১৯ঃ***

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা শিজিননবগীদমক 'ইন্দিয়ান এঙ্গ্রি বার্দ' হায়না কৌবা কম্যুনিকেসন্স সেটিলাইট অমা মধ্য প্রদেসকী শ্রীহরিকোতাদগী থাগৎখ্রে অমসুং ঙসি নুমিদাং ৱাইরম মায় পাক্না ওর্বিটতা থমখ্রে।

জি এস এ টি-৭ এ অসিনা প্লেনশিং এয়ার-বোর্ন আর্লি ৱার্নিং কন্ট্রোল প্লেটফোর্মস অমসুং দ্রোনশিংনা চিংবা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী এসেটস পূন্নমক্কা অমগা অমগা শন্নহনগনি, গ্রাউন ষ্টেসনশিংগা শক্লহনগনি অমসুং নেটৱার্ক-সেন্ট্রিক ৱার ফিয়ার কেপাবিলিটি অমা লৈহন্নবা থবক তৌহনগনি।

# খৃষ্টিয়ান মিচেল জেলদা থাজিনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৯ঃ***

ভি ভি আই পিশিংগীদমক অখন্নরবা ফজরবা হেলিকোপ্টরশিং লৈনবগী লূপা ক্রোর ৩৬০০কী অগষ্টতা ৱেষ্টলেন ভি ভি আই পি চোপ্পর দিল অদুদা শেঞ্জা থুমজা চত্থনবগী ময়াই চাবী মীওই ওইখিবা খৃষ্টিয়ান মিচেলবু ঙসি দিল্লি কোর্ট অমনা দিসেম্বর ২৮ ফাওবা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থাজিনখ্রে।

মহাক্কী মথক্তা মরানশিং শিখ্রে। মহাক কেস অসিগা মরিলৈননা ফাখিবনি অমসুং নুমিৎ ১৪নিগী সিবিআই কষ্টদি মতম লোয়খিবগা মহাকপু স্পিসিয়েল জজ অরবিন কুমারগী মমাঙদা পুথোকখি। জজনা মহাকপু দিসেম্বর ২৮ ফাওবা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থাখিবনি।


## [illegible] /URGENTLY WANTED

| POST | VACANCY | PREFER | SALARY |
|---|---|---|---|
| Helper/Nannies | 50 | Meitei / Tribal | 3500-5500 |

**Contact no. : 9862780781 & 8416065510**

**Time : 10:00 a.m. - 4:00 p.m.**

*SL/1194/Upto 24 December2018*


## সনা-সুদোকু -১৩৬৮ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 2 | 6 | 1 | 4 | 3 | 7 | 9 | 8 |
| 1 | 9 | 8 | 5 | 6 | 7 | 3 | 4 | 2 |
| 7 | 4 | 3 | 9 | 2 | 8 | 5 | 6 | 1 |
| 2 | 8 | 1 | 3 | 9 | 4 | 6 | 7 | 5 |
| 3 | 7 | 4 | 6 | 1 | 5 | 8 | 2 | 9 |
| 6 | 5 | 9 | 8 | 7 | 2 | 4 | 1 | 3 |
| 9 | 3 | 7 | 2 | 5 | 6 | 1 | 8 | 4 |
| 4 | 1 | 5 | 7 | 8 | 9 | 2 | 3 | 6 |
| 8 | 6 | 2 | 4 | 3 | 1 | 9 | 5 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1369**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | | | 9 | | 3 | | 4 |
| 9 | | 6 | | | 2 | | 1 | |
| 1 | | | 6 | 3 | | 2 | | |
| | 6 | | | | 9 | 7 | 4 | |
| 3 | 4 | | | 1 | | | | 2 |
| | 2 | 9 | | | | | 8 | 6 |
| 6 | | 3 | 1 | 2 | | | | |
| | | 2 | 9 | 6 | | | | 1 |
| | | 7 | | | 3 | | | 9 |

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking upto : 23/10/18
Valid from : 20/10/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Maibia Gas (Moirang)**
Booking upto : 22/10/18
Sl. No. : 4700
Valid from : 18/10/18
Sl. No. : 4021
Stk :306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking upto : 16/11/18
Valid from : 01/11/18
Sl. No. : upto 478
Stk : 432, 19kg 190
Time : From 08.00 a.m.
Delivery at Heinoupok

**Hrangchal Gas Agency**
Booking upto : 13/11/18
Valid from : 10/11/18
Stk. : 306

**Canchi Service Indane**
Booking upto : 31/10/18
Valid from : 20/10/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Mahalashami Indane Gas**
Booking upto : 03/11/18
Sl. No. : 232453
Valid from : 28/10/18
Stok : 306
Time : 07.30 to 12 noon

**Bashikhong Indane**
Booking upto : 26/10/18
Valid from : 18/10/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking upto : 18/10/18
Valid from : 07/10/18
Stk :612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking upto : 15/11/18
Valid from :11/11/18
Stk : 306, 19kg
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Asangbi Gas, Sugnu**
Booking upto : 22/10/18
Valid from :16/10/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m.